AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org Fact Sheet Number 512

# লিমফোমা

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

**লিমফোমা হায়বা অসি করিনো ?**

মীওইবগী ঈদা য়াওবা বি-লিমফোসাইট নৎত্রগা বি-সেল হায়না খঙনবা হ্বাইট ব্লড সেলশিংগী কেন্সর অদুবু লিমফোমা হায়না খঙনৈ। হায়রিবা সেলশিং অসি য়াম্না য়াঙনা মচা পোকই অমসুং ট্যুমর ওইহল্লকই। করিগুম্বা ব্রেন নৎত্রগা য়াংলেন শরুগী মরীদা তৌরবদি সেন্ট্রেল নার্ভস সিস্টেমগী লিমফোমা হায়না কৌই।

এইডসকা মরী লৈননা তৌরকপা লিমফোমা অদুবু Non-Hodgkin's Lymphoma (NHL) হায়না খঙনৈ। ইং ১৯৮৫ দা এইডসনা শোকহনবদগী ওইরকপা লায়নাশিংগী মমিং মরক্তা NHL অসিবুসু সেন্টর ফোর ডিজিজ কন্ট্রোলনা য়াওহনখ্রে। Hodgkin's ডিজিজ হায়না খঙনবা লায়না অসিদি ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা তোয়না থোকন্দে।

হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শোম্থনা লৈবগী মতম শাংলিবমখে NHL না নাবগী খুদোংথীবা হেন্না লৈ। CD4 কাউন্ট য়াম্না হ্বাংলবা ফাওবদা হায়রিবা লায়না অসি নারকপা য়াই। মসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওই অমসুং নাবা হৌবদগীনা চহি অমগী মনুংদা শিবা য়াবগী অকিবা লৈ।

Combination antiretroviral therapy (ART) অসি শিজিন্নবনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা চঙলকপা লায়নাশিংগী চাদা ৮০ মুক হন্থহনবা ঙম্মী। অহানবদদি হায়রিবা অসি NHL গী মতাঙদদি অচুম্বা ওইনা খন্নদে। অদুবা অনৌবা থিজিন হ্বারোল কয়াদগী NHL মরুওইনা CNS লিমফোমানা নাবগী চাং অসি চাদা ৫০ মুক হন্থহল্লে হায়বা খঙলে। ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিং শিবগী চাদা ২০ মুক্তি NHL না থোকহল্লি। ঐচআইভিগা লোয়নননা হিংলিবা মীওইগী চাদা ১০ দি NHL শোয়দনা নারকই।

***NHL* লায়না করম্না মশক খঙদোক্কনি ?**

Non-Hodgkin's Lymphoma (NHL) অসি শরু, পুক, লিভর, ব্রেন নৎত্রগা হকচাংগী অতোপ্পা শরুকশিংদা নাবা য়াই। মসিনা নারে হায়বগী অহানবা খুদমশিংদি : মি কাবা, লাইহৌ তৌবা, হুমাং অনপি কাবা অমসুং চাদা ১০ দগী হেন্না হকচাংগী অরুম্বা হন্থবা অসিনি। হায়রিবা লাইওংশিং অসি এইডসকা মরী লৈননা ওইরকপা লায়নাশিংদসু তৌই। করিগুম্বা লায়েংবীরিবা মীওই অদুনা হায়রিবা লাইওংশিং অসিগী অতৈ অতোপ্পা হৌরকফম পুথোকপা ঙমদ্রবদি, মসি NHL না ওইগল্লি।

ইমাজিংগী পাম্বৈ অমসুং বাইওপসি তৌদুনা হায়রিবা NHL অসি খঙদোকপা য়াই। CAT, PET, gallium অমসুং থালিয়ম্নচিংবা ইমাজিংগী পাম্বৈশিং শিজিন্নগদবনি। বাইওপসি হায়বা অসিনা ট্যুমর লৈরম্বা য়াই হায়না চিংনবা জাগা অমদগী সেলশিং লৌদুনা চাংয়েং তৌবনি। য়েৎতুম অমা শিজিন্নদুনা সেলশিং লৌথোকপা নৎত্রগনা থাং থাদুনা ককপনি।

***NHL* করিনা থোকহনবগে?**

হায়রিবা লায়না অসি হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল অদু মতম শাংনা থবক তৌহনবদগী ওইগল্লি। করিগুম্বা হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শেমগৎপদা চঙবা বি-সেলশিং অসি চহি কয়া মশীং হেনগৎহন্দুনা লৈরবদি সেলশিং অসি ম্যুটেসন থোক্কুনা মশাগী ফিভম হোংলকই। হায়রিবা অহোংবশিং অসিনা কেন্সর থোকহনবা য়াই।

ঐচআইভিগী লাইওং লৈরবা মীওইশিংগী চাদা ৪দি চহি খুদিংগী NHL না নাগল্লি। ঐচআইভিগা লোয়নরিবা মীওইশিংগী মরক্তা NHL না নাবগী চাং অসি সধারন মীওইশিংগী মরক্তা নাবগী চাংদগী শরুক ৮০ রোম হেল্লি। য়াম্না নৌনা থিজিল্লুবা অমগী হ্বারোলদা CD4 মশিং ২০০গী মখাদা লৈরুরবা মীওইশিংদা লায়না অসি নাবগী চাং য়াম্না হ্বাংই। করিগুম্বা য়াম্না হ্বাংবা নৎত্রগনা লাকশিনবা ঙমদবা মওংদা ভাইরেল লোড লৈরবদি হেন্না নাগল্লি।

NHL না নাবগী খুদোংথীবা অসি মীওই অদু Epstein-Barr ভাইরসনা শোকহল্লবা নৎত্রগা মমা মপাদগী লাকপা ফিভমদগী হেনগৎহল্লি। হায়রিবা লায়না অসি নাবগী চাং অসি নুপীদগী নুপাদনা শরুক অনি হেল্লি। আফ্রিকান নৎত্রগা কেরিবিয়ান মীওইশিংদগী কৌকাসিয়ানশিংদা শরুক অনি হেন্না নাগল্লি।

হৌজিকমক্কি ওইনা লায়না অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মরমদা খঙদ্রি।

***NHL* করম্না লায়েংগদগে ?**

কেন্সর মখল অয়াম্বা হীদাক মখল কয়া পুনশিন্নদুনা লায়েংবা য়াই। মসিবু chemotherapy নৎত্রগা কেমো হায়না খঙনৈ। Chemo হায়বা অসি য়াম্না মহু কল্লি। মসিনা হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল অসি নমথদুনা থম্মী। কোক ঙাওবা, ওনিংবা, হকচাং শোকথহনবা, খোঙ হামথবা, য়ারি য়াখোং পোম্বা, চিন-লৈ পোকথোকপা, শম কেনবা অমসুং খোঙ-খুৎ জিং-জিং লাওবা পোকহল্লি।

Chemo না বোন মেরোদা য়াম্না শোকহল্লি। মসিনা এনিমিয়া (ঈদা মচু ঙাঙহল্লিবা রেড ব্লড সেল হন্থবা) অমসুং neutropenia (হ্বাইট ব্লড সেল মশিং হন্থবা) থোকহল্লি। Neutropeniaনা বেক্তরিয়ানা নাবগী চাং হেনগৎহল্লি। হায়রিবা সাইড ইফেক্টশিং অসি থেংনননবগীদমক অহেনবা হীদাক দরকার লৈ। করিগুম্বা সেন্ট্রেল নার্ভস সিস্টেমদা নারবদি NHL অসি লায়েংবদা হ্বানা থোকই। Chemotherapy গী মথক্তা নৎত্রগা মহুৎ শিন্দুনা রেডিয়েসন কাপ্পুনা লায়েংবসু য়াই।

# লিমফোমা

NHL লায়েংনবগীদমক থাবা Chemotherapy গী অকনবা হীদাকশিং অদু খাঙবদা ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদদি এআরটি শিজিন্নবনা য়াম্না মতেং পাঙই। মরম অসিনা NHL না শিবগী চাং অসি চাদা ৮০ রোম হন্থরে। EPOCH হায়না খঙনবা কেমোথিরাপিগী হীদাক মখল কয়া পুনশিন্দুনা লায়েংবদা অনাবা চাদা ৭৪ দি NHL দগী ফবা ঙম্বগী ৱারোল পীরি।

অকনবা এআরটি শিজিন্নবনা ঐচআইভিগা লোইননা হিংলিবা মীওইশিংদা নাবা NHL মখলশিং অসি লায়েংবদা থোইনা লুদে। মরম অসিনা ঐচআইভি অমসুং NHL না শোকহল্লবা মীওই কয়া মতম শাংনা হিংলি।

NHL লায়েংনবগীদমক মখল কয়াগী কেমো শিজিন্নরি। অনাবা চাদা ৫০ মুক্তা কেমো লায়েংনা ট্যুমর কোকহনবা ঙম্মী। অদুবু হায়রিবা অনাবশিং অসিদা ট্যুমর অসি চহি অমগী মনুংদা অমুক হঞ্জিল্লকপা য়াই।

NHL না নারে হায়না খঙলবা মীওইশিংদা pneumocystis pneumonia (PCP) না নারকপগী খুদোংথীবা চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অদুনা মসি ঙাকথোক্নবা হীদাক শিজিন্নগদবনি। পিসিপিগী মরমদা অহেনবা ৱারোলগীদমক ফেক্ট সীট ৫১৫ নৈনবীয়ু।

NHL লায়েংনবগীদমক মোনোক্লোনেল এন্টিবোডিশিং শিজিন্নরি অমসুং হীরম অসিদা থিজিল্লিবা বৈজ্ঞানিকশিংনা মখোয়গী কান্নবগী মরমদা হেন্না কৃপ্না থিজিল্লি। হায়রিবা হীদাকশিং অসি জিনেটিক ইঞ্জিনিয়ারিংনা পুথোকপনি। মখোয়না লাকশিনবা ঙমদনা মচা পোক্লিবা বি-সেলশিংদা লান্দাই। মোনোক্লোনিকেল এন্টিবোদিশিংগী মমিং অসি '-mab' না লৌই। খুদম ওইনা rituximab মখোয়না ট্যুমর অদু পিকশিলহল্লি অমসুং অমুক হঞ্জিল্লকপগী মতম অদু শাংদোকহল্লি।

ৱারোইশিন

বি-সেলশিংদা কেন্সর থোকহল্লিবা NHL হায়রিবা লায়না অসি এইডসনা কা হেন্না শোকহল্লবা মীওইশিংদা নাগল্লি। মসি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা অমসুং পুন্সি মাঙবা য়াবা লায়নানি। এআরটি শিজিন্নবনা নাবগী কেস অনৌবগী মশীং হন্থহল্লি। হায়রিবা অসি মরুওইনা সেন্ট্রেল নার্ভস সিস্টেমদা নাবা NHL গীদি অচুম্বনি।

NHL অসি কেমোথেরাপিগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা লায়েংলি। সেন্ট্রেল নার্ভস সিস্টেমদা নাবা NHL গীদি রেডিয়েসন কাপ্পুনা লায়েংলি। NHL না থোকহনবা ট্যুমরশিং অসি ফখ্রবসু অমুক হেক্তা হঞ্জিল্লকল্লি।

NHL লায়েংবদা ৱাবা লায়নানি। হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শোনবা মীওইশিংদা হেন্না তোয়না নাগল্লি। এআরটি শিজিন্নবনা ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল কনখৎহল্লি অমসুং হেন্না কনবা কেমোথেরাপি শিজিন্নবা য়াই। মসি ওইরবদি NHL লায়েংবদা খরা লায়ন থোকই। কেমোথেরাপি তৌবগী সাইড ইফেক্টশিং অদু মায়োক্নবা অহেনবা হীদাক চাবা তাই।

জিনেটিক ইঞ্জিনিয়ারিংনা পুথোকপা মোনোক্লোনেল এন্টিবোডি হায়না খঙনবা অনৌবা হীদাকশিং অসি হৌজিক্তি NHL লায়েংবদা শিজিন্নরে। হায়রিবা হীদাকশিং অমসুং কেমোথেরাপি হীদাক অনৌবশিংগী মরমদা থিজিনবা হৌজিকসু মখা তানা চত্থরি।

***Reviewed September 27, 2010***